# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 19-08-2024)**

**পিএমঃ** মনিপুরি লোলবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা অমদি হেন্না চাউখৎহন্নবা কেন্দ্রনা লুপা কোতি ১৮ গী শেনফম কায়থোক্লে।

কেন্দ্র সরকারনা ষ্টেট লেঙ্গোইজ ওহরিবা লোল অসিবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা লুপা কোতি ১৮ কায়থোকপনি। মসিনা রাজ্য অসিগী কালা সংস্কৃত্তি হেন্না চাউখৎহনবদা কান্নবা পীরগনি।

রাজ্য সভাগী এম.পি. লৈশেম্বা সনাজাউবনা খোঙথাং অসিবু থাগৎপা ফোংদোক্লি। সোসিএল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা মহাকা হায়-মনিপুরি লোল অসি চহিচা কয়াগী মমাংদগী নিংথৌরোলগী হাক্তক্তগী হৌনা ঙাংনদুনা লাক্লবা লোল অমনি। কেন্দ্র সরকারগী অসিগুম্বা শিংথানিংঙাই ওইরবা খোঙথাং অসিনা লোল অসি ক্লাসিকেল লেঙ্গোইজকী থাক্তা পুখৎনবা হোৎনবদা চাউনা মতেং ওইরগনি।

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা থৌবাল জিলাগী লৈরোংথেল চিত্রাদা লৈবা উয়োক চীংদা থিবা হুম্বগী থবক চথুবদা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎপা ঙমলে।

পুলিস কন্ত্রোল রুমগী পাউনা হায়-রাজ্য অসিদা শান্তি পুরকবা সেক্যুরিতি ফোর্সনা অকনবা মওংদা চিং অমদি তমগী তায়নবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক অমদি এরিয়া দোমিনেসন তৌবগী থবক চথুরি। মসিগী শরুক অমা ওইনা ঙরাং থৌবাল জিলাগী লৈরোংথেল চিত্রাদা লৈবা উয়োক চীংদা থিবা হুম্বদা নাইন এম.এম.পিষ্টোল অমা, মেগজিন অমা, সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অমা, পোইন্ট থ্রি টুগী পিষ্টোল অমা, হেন্দ গ্রেনেদ অনি, দিটোনেটর অনি অমদি অতৈ খুৎশু খুলায় কয়া ফংলে।

অমরোমদা, কাংপোকপী জিলাগী মীসন ভেংদগী সভেন পোইন্ট সিক্স

এম.এমগী এস.এল.আর অমা, মেগজিন অমা, বোল্ট এক্সন রাইফল অমা, টুয়েল্ব ইঞ্চ সিঙ্গল বেরেল গন অমা, মরু তরুক, হেন্দ গ্রেনেদ অনি অমদি অতৈ খুৎশু খুৎলায় খরা ফাগৎলে হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তারি।

মনিপুর পুলিসনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী হিয়াংথাংদা থিবা হুন্বগী থবক চথবদা আইননা থিংখ্রবা লালহৌলুপ কে.সি.পি (নোংদ্রেনখোম্বা) কাংলুপকী মীওই অহুম ফারে। মখোয় মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বদা চেন্নবা মীশকশিংনি হায়রি। মখোয়দগী মোবাইল ফোন অহুম, কার অমা অমদি শেল ওইনা লুপা লিশিং ৫০ ফংলে।

সেক্যুরিতি ফোর্সকী অকনবা ঙাকশেল থৌরাংগী মখাদা ইম্ফাল-দিমাপুর অমদি ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীদা পোৎ-চৈ পুবা গাড়ি ১৯৮ ইম্ফালোমদা পুশিল্লকখ্রে। লোয়ননা হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা রাজ্য অসিদা পামদবা থৌদোক থোকখিবা লৈতে হায়রি।

**মেট (এল)ঃ** মনিপুরদা হৌখিবা নুমিৎ নিনিদা লেপ্তুনা নোং চুবদগী মীয়ামগী মহৌশাগী পুন্সিদা চাউনা অকায়বা পীরে। লেপ্তুনা নোং চুবনা মরম ওইদুনা অকুৎপা মফম কয়া ঈশিং থুমজিল্লে। ইম্ফালগী মরুওইবা লম্বীশিং পাউনা কৈথেল য়াওনা অতৈ লম্বীশিংদা ঈশিং থুমজিনবদগী চৎথোক চৎশিনদা খুদোংচাদবা মায়োকরে।

অদুমওইনমক, তুরেলশিংগী ইমায়দি হেনগৎলকপগী ফিভম উদ্রি।

ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট, ইম্ফাল সেন্তরগী পাউনা হায়- রাজ্য অসিগী মফম অয়াম্বদা লাক্লিবা নুমিৎ খরনি অসিদা মখা তানা নোং চুখিগনি হায়রি।

অমরোমদা, নোংচুপ বেঙ্গোল, উরিষা, ঝারখন্দ, বিহার, সব-হিমালায়ান ৱেষ্ট বেঙ্গল, সিক্কিম, অসাম, মেঘালয়, নাগালেন্দ, মিজোরম অমসুং ত্রিপরাদা হয়েং ফাওবা অকনবা নোং চুরগনি। মেট বিভাগনা হায়- লাক্লিবা নুমিৎ নিনি

হুমি অসিদা কেরলা, তামিলনাদু অমসুং লক্সদ্বিপকী মফম কয়াদা পাক্তকনা নোংচুগনি।

মেট দিপার্টমেন্টনা অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংদা ওরেঞ্জ এলার্ট লাউথোকখ্রে।

**সিক্কিমঃ** সিক্কিমগী মুখ্য মন্ত্রি-প্রেম সিংহ তমংনা নসা মুক্তা ভারত অভিয়ান ঙরাং হৌদোকখ্রে। গেংতোক্কী শক্তিকুন্দা ঙরাং পাঙথোকপা রক্সা বন্ধনগী অখন্নবা থৌরম অমদা কেম্পেইন অসি হৌদোকখিবনি।

থৌরম অদুদা শ্রী তমংনা হায়-নহাশিংবু দ্রগতগী লাপথোকা লৈহন্নবগী পান দমদা কেম্পেইন অসি হৌদোকপনি। কেম্পেইন অসিগী পাউজেল নুংতিগী পুন্সিদা শন্দোক্লবদি নহাশিংবু দ্রগতগী লায়চুবা অমদি মসিগী খুদোংথিবদগী ঙাকথোকহনবা ঙমগনি। মরম অদুনা সমস্যা অসি থেংননবগীদমক কেম্পেইন অসিদা মীপুম খুদিংমক য়াওশিন্নবা মুখ্য মন্ত্রিনা আপিল তৌরি।

**মালেসিয়াঃ** মালেসিয়াগী প্রধান মন্ত্রি-দাটো সেরি অনৱার বিন ইব্রাহিম, নুমিৎ হুমনিগী খোঙচৎতা ঙসি ভারত্তা থুংলরগনি।

খোঙচৎ অসি অনৱার ইব্রাহিমগী অহানবা ভারত খোঙচৎ ওইগদৌরি। অনৱার ইব্রাহিমগা ভারত খোঙচৎ মনুংদা প্রধান মন্ত্রিগা লৈবাক অনিগী ওইবা মরী হেন্না ফগৎহন্নবগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নগনি। অনৱার বিন ইব্রাহিমনা লৈবাক অসিদা লৈরিঙৈদা রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুগসু উন্নগনি।

**বঙ্গলাদেসঃ** বঙ্গলাদেসকী মরক্কী সরকারগী চীফ এদভাইজর ওইরিবা মুহামদ য়ুনসনা লৈবাক অদুগী মীখল অথুবা মতমদা পাঙথোকবা হোৎনরগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

ধাকাদা মীরৈবাক্কী দিপ্লোমেটশিংগা ৱারী শান্নবা অমদা য়ুনসনা হায়-

বঙ্গলাদেসতা চৎনরিবা চৎন-কাংলোনশিংদা অহোংবা খরা পুরক্লবা মতুংদা নিয়ম চুমা অমদি মীয়ামা পাক শন্না শরুক য়াগদবা মওংদা মীখল অসি পাঙথোকবা শেম শারি। হায়রিবা অহোংবা পুরক্কদৌরিবা চৎন-কাংলোনশিং অসিদা ইলেক্সন কম্মিসসন, জ়্দিসিএরি, সিভিল এদমিনিষ্ট্রেসন, সেক্যুরিতি ফোর্স অমদি মেদিয়ানচিংবসু য়াওগনি।

**ফুটবোল (এল)** ঃ এদুকেসন এনহান্সমেন্ট ওর্গনাইজেসন (ই.ই.ও) লমদিংনা শিনদুনা অহুমশুবা পাউনা মেমোরিএল নাইন-এ সাইট ষ্টেট লেবেল ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৪, টিম ২০ না গ্রুপ মরি খায়দোক্তুনা ঙরাংদগী শান্নবা হৌখ্রে।

ঙরাং হৌদোকপগী নুমিৎকী অহানবা মেটচতা-ইন্দিবর এফ.সি-ৱাংজিং অমদি অনাস এফ.সি. কিয়ামগৈনা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো চৎখি। অনিশুবা মেটচতা সঙাইয়ুন্স্ফম এফ.সিনা ৱাই.ভি.এ-ৱাংজিংবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখি।

ঙসি অহানবা মেটচতা কোব্রা এফ.সি. মোরে অমদি ৱাংজিং য়ুনাইটেদ, অনিশুবা মেটচতা য়াইরিপোকপ এফ.সি. অমদি ইবোসনা-এফ.সি. লৈমপোকপা অমসুং অহুমশুবদা ই.ই.ও. (বি) গা ফিফতিন ব্রদরস-সঙাইয়ুন্স্ফমগা শান্নগনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

য়ু.পি.এস.সিগী ম্যেন ইগজামগী সেন্টর মনিপুরদা পীরকপা য়ানা লৈরে হায়বা এম.পি.লৈশেম্বা সনাজাউবনা ফোংদোকখিবা ৱাফম, মীতৈ ময়েক শেনয়েক্তা য়াওহন্নবা, ক্লাসিকেল লেঙ্গৈইজতা চলহন্নবা হোৎনখিবগী পাউনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংনরি।

মনিপুরগী উমংগী শরুক্কী চাদা ৬৭ ওইরিবা অনক্লাস ফোরেষ্ট শায়েন-ঙায়েন্নবদা লোয়দৌরে, মনিপুরগী অনক্লাস ফোরেষ্টশিং ফুরুপ খরনা মনীং তৌবদা লৈঙাকা করিসু তৌবা ঙমদ্রে হায়বা পাউনা সনা লৈবাক্তা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

চিন কুকিশিং মনিপুরগী চিন ষ্টেটতগীনি হায়বা ৱাফম য়াওরম্বদগী এন.ই.সি. ভিজন প্লান ২০৪৭ ৱিথদ্রো তৌখ্রে হায়না ঈচেল এক্সপ্রেসতা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। মসিগা মান্নবা পাউ-হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতসু হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

নহারোলগী থৌদাংদা-সি.এমনা লেফটনেন্ট জেনরেল কম্মান্দিং ওফিসার-অভিজিৎকা উন্নদুনা ৱারী শান্নখ্রে হায়না মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

মনিপুরদা থোক্লিবা ইরাং সেপ্তেম্বর থা ফাওবগী মনুংদা লোয়শিনদুনা শান্তি হনজিলহন্নবা হোৎনরি হায়বা মিনিস্তর-গোবিন্দাসনা ফোংদোকখিবা ৱাফম মনিপুর ন্যুজগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

কেন্দ্র সরকারনা মনিপুরি লোল অমদি মসিগী ময়েক চাউখৎহন্নবা লুপা কোতি ১৮ কায়থোক্লে হায়বা পাউ ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

আগষ্ট ১৩ অথৌবশিংগী নুমিৎতা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা ইথক ইরাংগী থোওং চথখিবা ৱাফমবু য়ানিংদবা ফোংদোকপা য়ু.এন.এল.এফ. (কোইরেং) গী পাউ অমদি কে.ৱাই.কে.এগী মপোক নুমিৎকা মরী লৈননা লুপ অসিনা থল্লকখিবা ৱারোলগী পাউসু অয়াম্বা পাউচেশিংদা ফোংনরি।

রোংমৈ নাগা কাউন্সিলগী মতম কক্তবা বন্দ হৌখ্রে, থাউসু, গ্যাসসু ৱাৎশিল্লক্কদৌরি হায়বা পাউনা সঙাই এক্সপ্রেসকী এদিসন অনিমক্তা অহানবা হেদলাইন তৌরি। মসিগা মান্নবা পাউদা রোংমৈ নাগা সি.এস.ওশিংনা মতম কক্তনা নেসনেল হায়ৱে ৩৭ অথিংবা থল্লগনি হায়বা পাউনা গানফিয়ু মেল

অমদি তমেংলোং টাইমসতা হেদলাইন তৌরি।

সেক্যুরিতিনা বোম য়াওনা খুৎলায় কয়া ফাগৎলে, কে.সি.পিগী মীওই অহুম ফারে হায়বা পাউনা পোকফমগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

ফয়েং হায়স্কুল মুৎলগদ্রা, মহৈরোই ২০০ হেন্না তল্লল্লবসু ওজা ৱাৎপদগী মহৈরোইশিংগী মশিং নোংম-নোংমগী হন্থরক্লে হায়বা পাউনা হুইয়েন লানপাউদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

অনৌবা লো অহুমগী ওরিয়েন্টেসন প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউনা পিপলস ক্রোনিকলগী এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

আই.এম.দিনা অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংদা ওরেঞ্জ এল্লার্ট লাউথোকখিবগী পাউ সেনাপতিদা ফোংবা হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।